


# সনালৈবাক স্পোর্টস

MONDAY, MAY 5, 2014, PAGE 5




*ইকুদোরগী ৱার্ল্ড কপতা টিম অসিবু শৌগৎকনি হায়দুনা লাক্লিবী ফেন অমা*

*মেদ্রিদ ওপন্দা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্কুনা সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রবী সরাপোভা*

## সুইজরলেন্না ৱার্ল্ড কপ শরুক য়াবসি হন্দক্কী অসি থারগা ১০ রক্তা ঙাইরি



*রিও দি জান্দেরো, মে ০৪ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা হন্দক পাংথোক্কদৌরিব ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবগা লোয়ননা সুস্বলেন্দ ১০ রক শুবা ওইরি। লৈবাক অসিগী ওইনা ফুটবোলগী ওইবা অচৌবা বেদি অমা শেমখিবা অসি ইং ১৮৯৫ দনি। অদুগা ফিফাদা এফিলেট তৌবনা ১৯০৪ দনি। ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াবদা ক্বাটর ফাইনেল য়ৌখিবা অসিনা ১৯৩৪ গী অনিশুবা ৱার্ল্ড কপ অমদি ১৯৩৮ গী অহুমশুবা ৱার্ল্ড কপ অমসুং ১৯৫৪ দা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপশিংদা লৈবাক অসিনা শরুক য়াবা ঙমখি।

লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াখিবদি ১৯৩৪ দনি। হৌজিক ফাওবা লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়াবখবা চহিশিং অদুদি ১৯৩৮, ১৯৫০, ১৯৫৪, ১৯৬২, ১৯৬৬, ১৯৯৪, ২০০৬, ২০১০ অমদি হন্দক্কী অসিনি।

অহানবা ওইনা লৈবাক অসিনা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াখিবা মতম অদুদা লৈবাক অসিনা ক্বাটর ফাইনেল ফাওবা চংবা ঙমখি।

চহি অদুদা টিম অসিবু চেকোজলোভিকিয়াগী মখুত্তা ক্বাটর ফাইনেলদা ৩–২ দা মায়থিহৌখি। মখোয়না ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখিবা অদু জর্ম্মনিবু ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা চংলকখিবনি।

হঙ্গেরিসু টিম অসিগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি। ইং ১৯৫০ দা ব্রাজিলনা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইখিবা অসিদা টিম অসি ক্বালিফাইট ওইবা ঙমদবদগী শরুক য়াখিদে। অদুগা ১৯৫৪ গী ৱার্ল্ড কপ অদুদা অমুক হন্না শরুক য়াবদা চহি অদুদসু ক্বাটর ফাইনেল চংবা ঙমখি।

সেমি ফাইনে্লদা চংনবগী ওোস্ট্রেলিয়াগা শান্বা মেজ অদুদা মখোনা মায় পাক্পা ঙম্দবগী সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখিদে। টিম অসিনা ইং ১৯৬২ অমদি ১৯৬৬ শরুক য়াখি অদুবু অহানবা রাওদা মাইথিবা নংখি সেক্টেন্ড রাও চংবা ঙমখিদে। চহি ৫০গী মতুংদা সুইর্জলেন্দ এমেরিকা য়ুম্বু ওইদুনা ১৯৯৪দা পাংথোখিবা ৱাল্ড কপ অদুদা স্পেনবু ৩–০দা মাইথিবা পীরমলগা সেক্টেন রাও চংবা ঙমখি।

সেক্টেন রাওদা মায় পাকপগা লোয়ননা ক্বাটর চংবা ঙমখি। অদুবু মায়থিদুনা ক্বাটর ফাইনে্লদা লৈহৌখি।

ইং ১৯৯৪ দা পাংথোকপা ৱার্ল্ড কপ অদুদা লৈবাক অসি অনিশুবা রাউন্দা মায়থিদুনা কল্ব সিদগী লৈহৌখি মসিগী মথং দা মতম কুইনা শরুক য়াবা ঙম্দনা লাকখিবা লৈবাক অসি ২০০৬ তা জরমনিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা অমুক হন্না শরুক য়াবগী গ্রুপক্কী লিক্তা তোপ ওইদুনা সেক্টেন রাউদা চংলকখি।

সেক্টেন রাউদা য়ুক্রেনগী মখুৎত্তা মায়থিদুনা ৱার্ল্ড কপ অদুদগী লৈহৌখি। লৈবাক অসিনা চহি অদুদা য়ুক্রেনগী মখুৎত্তা মায়থিহৌখিবা অদু ফুল টামগী মেচট লোয়বদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইবদগী টাই ব্রেক তৌবদা য়ুক্রেন্না গোল ৩ চনবা ঙমখিবনি।

মসিগী মথংদা মমাংদা সাউথ অফ্রিকনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা অদুদসু শরুক য়াখি। লৈবাক অসিনা চহি অদুদা গ্রপকী ওইবা মেচত ৩ শান্নরবা মতুংদা সেক্টেন রাউ চংবা ঙমদনা টপ অদুদগী বীদাই পীখি। হন্দক্কী চহি অসিদা লৈবাক অসিনা ক্বালিফাইংদা মায় পাকপগা লোয়ননা গ্রুপ ইদা লৈদুদা হুন্দুরস্ত ইকুদোর অমদি ফ্রেন্সকা পুন্না লৈমিন্নরি। হন্দক্কী কপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক টিম অসিনা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দা মায়থিবা অমদি মায়পাকপা কয়া য়াওনা লাকখি। অহনবা ওইনা টিম অসিনা স্লোভেনিয়া অমদি আলভানিয়াবু মায়থিবা পীরমদুনা মথংগী রাউ চংখি। মথং রাউন্দ অদুদা নোর্ৱোগা শানবা মেটচ অদুদা পাঞ্জিল ১–১ দা দ্রো ওইখি। আইজলেন্দগা শান্নবা মেটচ গোল ২–০ মায়পাখি। সাইপ্রসকা শান্নবা মেটচ অদুসু দ্রো ওইখি। আইজলেন্দগা শান্নবা মথংগী মেচট মখোয়গা মায় পাকপা ঙমখিদে। মেচট অদুদা মখোয়না ৪–৪দা দ্রো ওইখি, মথংগী মেচটতা মায় পাকপা ঙমখি। মথংগী মেচট মখোয়না নোর্ৱেবু ২–০ মায়থিবা পীবগা লোয়ননা ৱাল্ড কপ অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিবনি।

লৈবাক অসিনা মমাংগী ৱাল্ড কপ অদুদা শরুক য়াবদা মখোয়গী ইহান হানবা মেটচ অদু ৱাল্ড চেমপিয়ন ওইখিবা স্পেন্গী মখুত্তা অহানবা মেটচ অদু মায়থিবা নংখিবগা লোয়ননা শুপনগী গেম ৩ শানরবা মতুংদা ৱাল্ড কপ অদুদগী লৈহৌখি।

লৈবাক অসিগী শান্নারোই কয়া অমা ঙসি ফাওবদা য়ুরোপিয়ান্দ লিক্তা মমি লৈবা শান্নরোইশিং শরুক য়ারি। ইং ২০০৯ দা লৈবাক অসিনা দুবাইদা পাঙথোকখিবা ফিফা ব্টিচ সোকর ৱাল্ড কপ অদুদা রন্নর অপ ওইখি, চহি অদুদা নাইজরিয়াদা পাংথোকপা ফিফা অন্দর ১৭ ৱাল্ড কপ অদুদা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। লৈবাক অসিগী ওইনা মীয়ামনা পামনখিবা অমদি মমিং লৈখিবা শানরোইশিংদি আক্লেজেন্দর ফেরি, ষ্টেফেন চেপুসেট, জোন ভোজেল অমদি হাকন য়াকিন হায়বা প্লেয়ারশিং অসি লৈবাক অসিগী ওইনা অফবা অমদি মমিং লৈখিবা শান্নরোইশিংনি। হন্দক্কী চহি অসিদা শরুক য়ারিবা টিম অসিদা অফবা প্লেয়ারনি হায়না পান্নরিবশিংগী মনুংদা ত্রানকুইলো ভর্নেটা, গোখান ইনরেল অমদি ফিলিপ সেন্দ্রিলোনচিংবা অহল ওইরবা শান্নরোইশিংগী মথক্তা নহাওইরিবা টেলেন্ট য়াম্না লৈবা শান্নরোই এক্সেন্দ্রা সাকেরি, হাবিনা সার্জ, গ্রেন্ট জাহকা অমদি ভেলেন্টিন ষ্ট্রোক্করনচিংবা শান্নরোইশিং অসিনা ২০১৪ গী ৱার্ল্ড কপ অসিদা সুইজলেন্দ টিমগীদমক অনৌবা পার্ফোমেন্স কয়া পীরকনি হায়না পান্নরি। টিম অসিগী কোচ ওইনা ওটমর হস্ফিল্ডনা টিম অসিবু লুচিংদুনা ৱার্ল্ড কপ অসিদা মখোয়গী ওপোনিয়নশিংগা লম্বা তৌগদৌরি।



## সারাপোভা অমদি ইভানোভিক মায় পাকখ্রে



*মেদ্রিক, মে ০৪ঃ*

মফম অসিদা চথরিবা মেদ্রিক মাষ্টর টেন্সিতা রুসিয়াগী সারাপোভা অমদি অনা ইভানোভিক মায় পাক্কুনা মথংগী রাউন্দ চংখ্রে।

অহানবা রাউন্দদা মারিয়া সারাপোভানা কলারা কৌকালোভাবু ৬–১, ৬–২ নি দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা অনা ইভানোভিকনা মেদিসন কিসবু ৬–১, ৭–৬ তা মায়থিবা পীখি।

মমাংগী চহিদা পাংথোকখিবা মেদ্রিদ ওপন অসিদা সারাপোভাবু অমেরিকাগী শান্নরোই সেরিনা ৱেলিয়ম্না ফাইনেলদা মায়থিবা পীরমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দ অসিদা মহাক্না কোকালোভাবু য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীবা ঙমখি। সেট অনি অসি শান্নবদা মহাক্না ব্রেক পোইন্ট ৮ ফংবগা লোয়ননা কোকলোভাবু চাউনা মায়থিবা পীখিবনি।

কোকালোভানা মেটচ অনি অসিদা দবল ফাউন্ট ৮ লক তাখি। মথংগী অনিশুবা রাউন্দদা সারাপোভানা য়ু এস কী শান্নরোই কজা মাজিকাগা থেংনগনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱার্ল্ডগী ১১ শুবা সিট তা লৈরিবী অনা ইভানোভিক্না বোঞ্জানা জোবানোভিককীবু মায়থিবা পীদুনা অনিশুবা রাউন্দ চংখ্রে। অহানবা সেট অদুদা ইভানোভিক্না য়াম্না লাকচনা মায় পাকখি। সেট অসিদা মহাক্না গেম ৬ মায় পাকপদা ওপেনেল অসিনা শুপ্নগী গেম অমদগী হেন্না মায় পাকপা ঙমখিদে। সেট অদুদা ইভানোভিক্না ওপোনেল শান্নরোই অদুগী সার্ভিস কয়া ব্রেক পীবা ঙমখি।

অনিশুবা সেট অদুদা জোবানেভিসকীনা নীংথিনা শান্নবগা লোয়ননা সার্ভিস অমতা ব্রেক তৌহন্দনা শান্নবগা লোয়ননা গেম ৬–৬ মায় পাক্করবা মতুংদা নিয়মগী মতুংইন্না পোইন্ট হেন্দবা য়াদবনিনা টাইব্রেক তৌদুনা শান্নবদা ৪–০ দা মায় পাকপগা লোয়ননা ৭–৬ (৪) দা মায় পাক্কুনা অনিশুবা রাউন্দ চংখিবনি।

ইভানোভিক্না মথংগী রাউন্দদা কনাগা শান্নগদগে হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা লেপ্পা ঙমদ্রি। মরমদি ৱার্ল্ডগী তোপ ওইরিবগী সেরিনা ৱিলিয়ম অমসুং স্বালেন্দগী শান্নরোস বেলিন্দা ভেন্সি অনিগী অথোইবা অদুগা সেকেন্ট রাউন্দদা থেংনগদৌরিবনি।

## চেনাই সুপর কিংগী কোচ ষ্টেফেন্না নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ০৪ঃ*

চেনাই সুপর কিংগী কোচ ওইরিবা ষ্টেফেন ফ্রেমিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চথরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়ার লিগ অসিগীদমক চেনাই সুপ কিংগীদমক শান্নরোইশিংগী সেলেক্সন অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেষ্টদা হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়ার লিগ অসিগী অহানবা শরুক্কী অয়াম্বা মেটচশিং লোয়শিল্লকপগা লোয়ননা টিম অসিনা অফবা ফিরেপ অমদা চাউনা মায় পাক্কুনা লৈবদা টিম অসিগী কোচ অসিনা নুংঙাইবা ফোংদোকপগা লোয়ননা টিম অসিগী প্লেয়ার সেলেক্সন কম্মিটিবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংনা মাগী –মাগী তৌফম থোকপা মথৌশিং অদু নীংথিনা পাংথোক্কুনা শরুক য়ারি। মসি টিম অসিগী সেলেক্টর ওইরিবা কাঙবুশিংগী অমদি প্লেয়ারশিংগী য়াম্না লাইবক ফবা অমসুনি।



হৌজিক ফাওবদা চথরিবা আই পি এল অসিদা টিম অসিনা মেটচ ৬ শান্নবগী মনুংদা মেটচ ৫ মায় পাকপা ঙম্রি। মসি শান্নরোইশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুননি। ঐ খোয়গী শান্নরোইশিংনা অয়াম্বা মতমদা য়াম্না ঈংনা শান্নবা হৌবগা লোয়ননা সিজন অসিদা মমাংগীশিংগা খেন্নবা মওংদা তপ্না তপ্না টার্গেট রন অদু য়ৌনবা হোৎনরকখি। টিম অসিগী অফবা শান্নরোই অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান ক্রিকেট টিমগী লুচিংবসু ওইরিবা মহেন্দ্রা সিংহ ধোনিদগী হৌনা মহাক্কী টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংনা চথরিবা আই পি এল অসিদা চেনাই সুপর কিংগীদমক নীংথিবা পার্ফোমেন্স পীরি।

টি–২০ ফোর্মেট অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংনা অহানবদা টোস মায় পাকপগা লোয়ননা বেট্টিং খন্দুনা শানৈ হায়না ন্যু জিলেন্দগী মতমগী অমগী কেপ্টেন ওইরম্বা হৌজিক্লা সি এস কে গী কোচ ওইরিবা অসিনা মখা তাখি।

## ইন্দিয়ানা ইংলেন্দ টুরদা হেন্না চেকশিনবা ফৈ

*ন্যু দিল্লি, মে ০৪ঃ*

ইংলেন্দ ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরবা কেভিন পিটিরসননা হায়খিবদা, ইন্দিয়ানা হন্দক জুন নৎত্রগা সেপ্তেম্বর থাদা ইংলেন্দদা টুর লাক্কে হায়রবদি মখোয়গী বেষ্টমেন্টশিংনা নীংথিনা রন লৌনবা হোৎনগদবনি হায়না পনখি।



মমাংদা হায়বদি ইং ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়াগী টেস সিরিজ অদুদা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৪–০ দা চাউনা মায়থিবা পীখি।

মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মীয়াম্না শীংথরিবা রাহুল দ্রাবিদ টিম অসিদা য়াওরি। মসিদসু নত্তনা ইং ২০১২ অমদি ২০১৩ দা টুর লাকপা মতমদা ইন্দিয়াগী কাঙবুংনা ইংলেন্দগী মখুত্তা ২–১ দা মায়থিবা নংখিবনি।

ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দ টেস মেটচ মঙা শান্নগনি। মসি চৎলিবা চহি অসিগী জুলাই ৯ দগী হৌরগা আগষ্টকী ১৯ ফাওবা পাংথোক্কনি। মসিগী মতুংদা লৈবাক অনি অসিগী ওইবা ৱান্দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ৫ অমসু শান্নগনি।

মতুংদা টি–২০ ইন্টর্নেসনেল মেটচ অমগা শান্নগনি হায়রি। ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক অফবা বেষ্টমেন খরদি উবা ফংলে। মখোয়গী মনুংদা চিটেশ্বর পুজরা, ভিরাট কোহলি অমদি মুরল্লি বিজয় হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি অফবা টেক্নিক শীন্নদুনা শান্নরিবা ঙাক্তনি।

## ফ্লোইদ মেৱেথরনা মার্কো মাইদানাবু মায়থিবা পীখ্রে

*লেস ভেগাস, মে ০৪ঃ*

ৱেল্টর ৱেটকী ৱার্ল্ড টাইটলগী ওইবগা রাউন্দ ১২ লৈবা বাউট অমদা অমেরিকাগী ফ্লোইদ মেৱেথরনা মার্কেজ মাইদানাবু মায়থিবা পীবগা লোয়ননা ৱার্ল্ড বোক্সিং কাউন্সিলনা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড টাইটল অসিদা মায় পাকপা ঙমখ্রে।



বোক্সর অনি অসি মমাংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা পোইন্ট অয়াম্বদা মান্নবদগী দ্রো ওইদুনা লাকখিবনি। হন্দক শান্নখিবা অসিদসু শান্নরোই অনি অসিনা পোইন্ট চপ মান্ননা শান্নখি। অদুবু মমাংদা শান্নখিবা বাউটশিং অদুগী পোইন্টশিং অদুগা পুনশিন্নদুনা য়েংবা মতমদা অমেরিকাগী বোক্সর মেৱেদরনা পোইন্ট হেনবদগী মহাক্না ৱিন্নর ওইখিবনি।

শান্নরোই অনি অসিগী বাউট অসিদা অয়াম্বা মতমদা দ্রো ওইরকপদগী জজ অহুম্না মখোয়না পীরকপা মার্কশিং অদু লৌরবা মতুংদা মখোয়গী খেন্নবা অদুগী মতুংইন্না দিসিজন অসি পীরকখিবনি।

বোক্সর অনি অসিনা অহানবা শান্নখিবা মতম অদুদা অহানবা জজনা পীরকপা মার্কতা ১১৭–১১১ অনিশুবা জজনা পীরকপা মার্কতনা ১১৬–১১২ অদুগা অহুমশুবা জজনা পীরকপা মার্কতনা ১১৪–১১৪ ওইখি।

শান্নরোই অনি অসিনা মমাংদা শান্নখিবা বাউটশিং অদুদগী হৌরগা মেৱেদরনা নীংথিনা মায় পাকপা অমুক ফাওবা য়াওখিদ্রি। হায়বদি বাউট মনুংদা মখোয়না থিনখিবা পন্স অদুদা নোট আউট চৎনখিবা য়াওদে।

শান্নরোই অনি অসিনা হন্দক্তা শান্নখিবা রাউন্দ ১২ গী বাউট অদুদসু চপ মান্ননা পোইন্ট ফংনখি। মায়থিহৌরবা শান্নরোই অসি অর্জেন্টিনাগী বোক্সর অমনি।